# পার্লিয়ামেন্টকী ৬০ শুবা কুমওনদা অহানবা লোক সভাগী মেম্বর

# রিশাং কৈশিং প্রসিদেন্টনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

*নিউ দিল্লি, মে ১৩ঃ* ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ট্রেল হোলদা ইন্দিয়ান দিমোক্রেসিগী শেংলবা লাইফমগী মশক ওইরবা ইন্সটিট্যুসন অসিনা চহি ৬০ শুরকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনিমক্কী অপুনবা মীফম অমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট প্রতিভা দেবী সিংহ পতিলনা ইহান হানবা ১৯৫২-৫৭ দা লোক সভাগী মেম্বর ওইখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এমপি রিশাং কৈশিংগী মফমদা ইকায়খুম্না উৎখ্রে।

প্রসিদেন্টনা পীখিবা মহাক্কী ভাষনদা পার্লিয়ামেন্টনা চহি ৬০ শুরকপগী থৌরম অসিদা রিশাং কৈশিং, রেসমলাল জংদে, কনদালা সুব্রমনিয়ম অমসুং কে মোহানা রাও হায়রিবা ভেটেরান পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিং অসিগা এক্তিভ পোলিটিক্সতা শরুক য়ামিন্নবা ফংবা লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিশাং কৈশিংনা তিল্লিবা মেম্বরশিংগী মফমদা মমাংঙৈগী নেসনেল লিদরশিংনা চৎলম্বা লিক্রুম অদুগী খুদুং ইন্না চৎনবা আপিল তৌখ্রে।

ইং ১৯৫২ গী ইহান হানবা লোক সভাদা মেম্বর অমা ওইখিবগী তাংলবা ইকায়খুম্নবা অমা ফংলবা রিশাংনা মতম অমগী থাক ৱাংলবা পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিগী ফিভম অদু নীংশিংখিবগা লোয়ননা মেম্বরশিংগী মফমদা ত্রেজরি অমসুং ওপোজিসন বেঞ্চ অনিমক্না অমগা অমগা ইকায়খুম্নবা উৎনখিবগী চৎনবী অদুমক মখা তানা লৈহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী ষ্টেট এসেমব্লিদা তরেৎলক হন্না মায় পাক্লবা মতুংদা হৌজিক রাজ্য সভাদা অনিশুবা তার্মগী মেম্বর ওইরিবা মশাগী চহি ৯২ শুরবা রিশাংনা হায়খি, মতম অদুদদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা হাউসকী ৱেল তম্না হুপচিন্নবা নত্রগা অমগা অমগা লাও খোংদুনা চৈ -থাংনবা অসি তৌনখিদে হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্না ৱা ঙাংলিঙৈ মতমদা ত্রেজরি অমসুং ওপ্পোজিসন বেঞ্চ অনিমক্কী মেম্বরশিংনা দেক্সতা য়ৈরদুনা মহাকপু তরাম্না ওক্লরকখি।

মহাক্না হায়খি, “ পার্লিয়ামেন্টতা ভাষন পীবা হায়বসি য়াম্না শান্তি ওইনা অমসুং লৈবাক্কী ওইনা কান্নগদবা মওংদা তৌনরম্মী। মরক থৎতুনা অপনবা থোকহনবগী মওং অসি তৌনবা তারবসু য়াম্না নোল্লক্লৈ তৌনখি। অদুগুম্বা মতম অদু পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিগী খ্বায়দগী হেন্না ফজবা তাঞ্জানি।”

সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী ওপোজিসন মেম্বর অমা ওইনা মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি কেরিয়ার হৌরকখিবা রিশাংনা হায়খি, মতম অদুদদি ক্লেসন অৱারগী মতম অসি য়াম্না ইংনা-চিক্না চত্থখি।

পণ্ডিট জৱাহরলাল নেহরু, অব্দুল কলাম অজাদ, রাজকুমারী অম্রিট কোর অমসুং জগজিবন রামনচিংবা নীংতম অন্দোলনগী শক্লাইরবা লুচিংবশিং অদুগা পুন্না ফম্মীন্নবা ফংখিবা অদু মহাক্কীদমক্তি য়াম্না তমজনফম ওইরবা এক্সপরিয়েন্স অমা ওইখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

মতম অদুগী পার্লিয়ামেন্টকা ঙসিগী পার্লিয়ামেন্টকা অনিগী খেন্নবা মশক অদু চাংদম্নরদুনা কৈশিংনা হাউসকী মীফমশিংবু মেম্বরশিংনা ইতৎ তত্তনা অপনবা থোকহনবা অমসুং লৈবাক্কী ইশুগা থোইদোক্না মরী লৈনদবা ৱাফমশিংদা হাউসকী ৱেল তম্না হেক্তা হুপচিন্নবগী মওং অসিবু পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

রিশাং কৈশিং অসি ইং ১৯৫২-৫৭ তা ইহান হান্না লোক সভাগী মীহুৎ ওইনা খনখি। মহাকপু হৌজিকসু এমপি অমা অপ্পর হাউসতা ফন্ত্রি। চহি ৯২ শুরবা ভেটেরান নাগা লিদর অসিনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমুক্তসু য়াওদবা তৌখিদ্রি। পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিংগী লৈখা তারক্লিবা ষ্টেন্দর্দতা মহাক্না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। অহানবা লোক সভা অদুগা য়াম্না তায়োন্নবা মওং অমদা ঙসিদি চরাংনবা অমসুং অমগা অমগা লাও-খোংনবতা মহুৎ শিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, “ওপোজিসনসু ওইসনু নত্রগা রুলিং কংগ্রেসসু ওইসনু হৌজিক্কী মতম অসিদদি এমপি অয়াম্বা মশাগী ৱাখলনা মাংওইনরে। মতাং অসিদনি মখোয়গা মমাংঙৈগী লো মেকরশিং অদুগা খেন্নরিবা অসি। মতম অদুগী লুচিংবশিং অদুদি লৈবাক অসিগীদমক্তা লেপখিবা মীওই ঙাক্তনি।”

মহাক্না জৱাহরলাল নেহরু, জিবি পন্তা, কৃষ্ণমেনন, রাজকুমারী অম্রিট কৌর অমসুং শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি হায়রিবা নেতাশিং অসি খ্বায়দগী হেন্না ফবা পার্লিয়ামেন্টরিয়ান মঙানি হায়না শিংথাখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহবুসু মহাক্না থম্মোয় য়াম্না শেংবা লুচিংবনি হায়না মহাক্না থেংনখিবা মতাং অমা নীংশিংখি।

মহাক্না হায়খি, “সিংহ অসি মতম অমদা প্লানিং কম্মিসনগী দিপ্যুটি চিফ ওইরম্মী। ঐহাক্না মণিপুরগী সিএম অমা ওইনা ঐখোয়গী লুপা ক্রোর ২৫০ মথৌ তাই হায়না মহাক্কী ৱাফমদা ফোঙদোকখি। অদুবু মহাক্না শুপ্লগী লুপা ক্রোর ২০০ খক্তমক পীবা ঙমগনি হায়না খঙহল্লকখি। ৱাফম অদু তাবদা ঐহাক মপান থোরকখি। অদুবু পুং ১ লৈরগা মহাক্না ঐহাকপু অমুক হন্না কৌরক্তুনা ঐহাক্না তাল্লিবা দিমান্দ অদু মরম চায় হায়না খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা শেলফম অদুদা অয়াবা পীখি।”

এমপিশিংনা মীফম য়াওদবগী হৈনবী অমা লৈবসি নুংনাংনিঙাইনি। ইং ১৯৫২ দা মহাক্না দিল্লিদা লাকখিবা মতমদা লো তম্বা পাম্বদগী দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনখি। অদুবু মদুনা মহাক্কী এমপি অমা ওইবগী মথৌদা অকায়বা পীরকপদগী কোর্স অদু তম্বা তোকথোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে। পনবা য়াবদি ১৯২০ গী ওক্টোবর ২৫ দা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী বুংপা খুন্নৌদা পোকখিবা রিশাং কৈশিং ১৯৫২ দগী ১৯৫৭ ফাওবা অহানবা লোক সভাগী মেম্বর ওইখি। ১৯৫৭-৬১ অমসুং ১৯৬৭-১৯৭১ ফাওবনা মণিপুর টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বর, ১৯৬২ দগী ১৯৬৭ ফাওবনা অহুমশুবা লোক সভাগী মেম্বর, ১৯৭২-২০০১ ফাওবনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর, ১৯৭৪-৭৬ তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা কেবিনেট মিনিষ্টর। ১৯৭৬-৮০ ফাওবনা ওপোজিসন লিদর। ১৯৮০-৮৫, ১৯৮৫ কী ফেব্রুৱারীদগী ১৯৮৮, ১৯৯৪-গী মার্চতগী ১৯৯৫ অমসুং ১৯৯৫ দিসেম্বরদগী ১৯৯৮ ফাওবা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর থংন-থংননা ওইদুনা লাকখি। অদুগা ২০০২ দা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা খনখি।